ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




যুনিয়ন লৈঙাক্কী ষ্টিল এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজগী ষ্টেট মিনিষ্টর ভুপাথিরাজু শ্রীনিভাসা বর্মানা নোনে দিষ্ট্রিক্টতা থুংলবদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকপা


লৌশিং পূক্কে : পি সী ও এস লৈবা মীওইশিংনা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হীদাক কান্নবা পাম্বীশিং ঃ কম্মন রোদোদেন্দ্রোন...
শারে (এপিলেপসি) লায়নাগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ য়েলহৌ-ফূরুপ কনবদা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা...
দেল্লি লিকর পোলিসি কেস : আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ এম এন সী এ ইলিট ট্রোফিঃ মোদেল ...


লম্ফেলপাৎতা লৈবা মসলসাগী এ দি আর বিল্ডিংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা নৌনা পেনেল লোয়রশিং খল্লবশিংগী কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রামদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি অলেক মুইভানা লেকচর পীবা




Vol. 50, Issue No. 321 | থাংজ, লমতাগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, February 28, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুরী ফিল্মনা বফটা এৱার্দ ফংলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফাওবা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রবসু

# ‘বুঙ’ গী দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়ানা ‘ইন্দিয়াদা অদুক্কী মতিক নাথৈবীরবা, মীৎয়েং চঙবীদ্রবা, অৱাবা তারবা ঐগী পোক্লফম মণিপুরদগী লাকখিবনি’ হায়খিবা ৱাফম সোশল মীদিয়াদগী লৌথোকখ্রে

## বফটা এৱার্দপীরক্লবা ‘বুঙ’ মার্চ৬,২০২৬তা ইন্দিয়াগী সিনেমা হোলশিংদা অমুক হন্না রিলিজ তৌরগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** মালেমগী ওইনা ফিল্মগী ফম্বাক্তা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী মনা ওইরিবা ‘ওস্কার এৱার্দ’কী হেক ঙমথংদা থাক ৱাংনা লৈরিবা ‘বফটা এৱার্দ-২০২৬’ পীরকখ্রবা মণিপুরী ফিল্ম ‘বুঙ’না লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবনা থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রবসু এৱার্দ অসি খূৎশিন্নদুনা লৌরমদাইগী মীৎকুপ্তা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়ানা লন্দনগী রোয়েল ফেষ্টিবেল হোলদা তিনখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ‘ফিল্ম অসি ইন্দিয়াদা অদুক্কী মতিক নাথৈবীরবা, মীৎয়েং চঙবীদ্রবা অমদি অৱাবা তারবা ঐগী পোক্লফম লমদম মণিপুরদগী লাকখিবনি’ হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী শরুক



দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়ানা বফটা এৱার্দ লৌরমদাইদা ৱা ঙাঙখিবা

## মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদদি উৎখিরোইদৌরি

বফটাগী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদগী লৌথোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সী অমনা তৌরকপা রিপোর্ট অমদা বফটা ফিল্ম এৱার্দকী ৭৯শুবা এদিশন অসি থা অসিগী ২২দা লন্দনদা লৈবা রোয়েল ফেষ্টিবেল হোলদা পাঙথোকখিবনি। অদুগা থংনবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩দা ফেষ্টিবেল অসিদা মকোক মথং তারবা ফিল্মশিংগী মমিং লাউথোরকপদা চিলদ্রেন্স এন্দ ফেমিলি ফিল্মগী কেটেগোরিদা ‘বুঙ’না কেটেগোরি অসিদা বেষ্ট ফিল্ম ওইবগা লোয়ননা বফটা এৱার্দ খূৎশিন্নরকখিবনি।

অদুবু এৱার্দ অসি লাউথোরকপদা হোল অসিগী ওদিএন্স মরক্তা ফমখিবী দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়ানা ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুশরশিং ওইরিবা ফরহন অখটার অমসুং রিটেস সিধ্বানিগা লোয়ননা হোল অসিগী ষ্টেজদা কাখৎমিন্নরক্লবা মতুংদা দিরেক্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এয়রপোর্টতগী হিরোইন খ্বাইদগী য়াম্না ফাবা অহানবা থৌদোক

# ইম্ফালদগী পুনবা হোৎনরম্বা হিরোইন কিলোগ্রাম ৪.৮০ ফারে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী মমাঙথক্তা লোনা অথিংবা থল্লবা পোৎলমশিং য়াওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং পুথোক-পুশিন তৌরম্বা থেংনবদা ফা-পুনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবসু এয়রপোর্ট অসিগী পুৱারীদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গ্রোসরি দুকান্দগী হিরোইন ১সুং দল্লিয়ু ৱাই কেজি ৫.৩৫ ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা চুড়াচান্দপুর পি এসনা কোনবা ৱাই পি এ রোদতা লৈবা কানন ভেঙ্গা গ্রোসরি দুকান ফম্বী জাইওন ভেঙ্গগী থুৱামলিয়ানদিং (৫৬) কৌবী নুপী অমদগী হিরোইন পাওদর হাপ্লা সাপোন কেস ৫, দল্লিয়ুৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ৫.৩৫, টু হ্বিলর (জুপিটর টি ভি এস) এম এন ০২/জি-৯০৪১ অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফাগৎলে হায়রি।

## য়ু জি মরি ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা প্রিপাক-প্রোগী কাদর মরি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি লমদেং খুনৌদা লৈবা ময়ূমদগী মোবাইল ফোন অমদি আইদেন্টিটি কার্দকা কোন্ননা ফাবা ক্ষেত্রিময়ূম লায়বা (৪২), থোংজু পার্ট টু মখা লৈকায়দগী ময়ূমদগী ফাবা খুরাইজম রোজিৎ কুমার (৩৭), উয়াল মখা লৈকায় এরিয়াদগী ফাবা হৈরোক পার্ট-টু বজার লাইকোল লৈরক্তগী থোকচোম রবিচন্দ্র (৩৬) অমসুং ঙরাং খুমন লম্পাক এরিয়াদগী ফাবা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়দগী ওইনাম ধনঞ্জয় (৩৬) নি হায়রি।

ফারবা কাদরশিং অসিদগী মোবাইল ফোন ১/১ রিকোভর তৌরে হায়রি।

## এক্স-এম এল এ ফজুর রহিমনা ফেসবুক পেজ ‘দি এক্সপ্লোরিস’গী মায়োক্তা সাইবর ক্রাইম পুলিসতা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** সোশল মীদিয়াগী মপাঙ্গল কল্লবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুককী ‘দি এক্সপ্লোরিস’ হায়না মিংথোনবা পেজ অমদা অরানবা অমসুং শেমজিন-শাজিনবা অমদি ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নীংঙাই ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



ফজুর রহিম

## পাউচেশিংদা মীতৈ ময়েক য়াওহনবগী ৱারেপ ৩ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপূনবা লূপ (মিলাল), কংলৈপাককী ময়ায় লোয়শঙদগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সোইবম অরুন মীতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ তারকপদা প্রেস ক্লবতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ক্লাস টেনগী এগজাম মহৈরোয় ৩ তান্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস):** বোসেমনা লৌদুনা থা অসিগী ২৩দগী চথরক্লিবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেশন ২০২৬কী ঙসি ওপসনেল সবজেক্ট থোকপা মতমদা সেন্টর অনীদা মহুৎ শিন্দুনা এগজামদা শরুক য়ারম্বগীদমক কেন্দিদেট ৩ এগজাম অসিদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মরী লৈনদে : প্রিপাক-প্রো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ :** ঙরাং (ফেব্রুৱারী ২৬,২০২৬) দা লম্ফেল পুলিস ষ্টেশননা কোনবা ঘড়ী এরিয়াদগী পার্টিগা মরী লৈনৈ হায়না মণিপুর পুলিসনা ফারে হায়রিবা থোকচোম রাজ এলিয়জ ইবুংঙো (২৫), অপোকপা টি ঐচ সুরঞ্জয়, অপোকপী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# এম সী পি সী আরনা অন-এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংদা দিরেক্সনশিং পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর)গী চ্যেরপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারগী চেরোল অমদা মণিপুরদা চলাইরিবা অন-এদেদ প্রাইভেট স্কুল অয়াম্বগী থবক থৌরমশিং মশক খঙদোক্তুনা হকচিন্না লৌরে হায়রদুনা রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেশন এক্ট, ২০০৯না পীরিবা পুপিল-টিচর-রেসিও (পি টি আর) ঙাক্না চৎলমদবা থেংনরে হায়রি।

অকক্লবা স্কুল খরদনা ওজা অমখক্তগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয় ৮০-৯০ তমহল্লম্বা ক্লাস রুমশিং থেংনরে। অসিগুম্বা মহৈরোয় মশীং য়াম্না তমহনবা থৌওং অসিনা টিচিং-লার্নিংগী থবক্তা অকায়বা পীবদা নত্তনা ভর্চ্যুএল মোদতা ক্লাস রুম মেনেজমেন্ট তৌবসু ওইথোকহন্দ্রে। থৌওং অসিনা ক্বালিটি এদ্যুকেশনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবদা নত্তনা ওজাশিংদা পোৎলূম পীরে হায়রি।

লোয়ননা তঙাইফদনা অথিংবা থল্লবসু মহৈরোয় অঙাংশিংনা মেন্টেল, ফিজিকেল অমসুং একাদেমিককী ওইবা লম্দা কোর্পোরেল পনিসমেন্টনচিংবা পীরম্বগী রিপোর্টসু ফংলে অদুগা স্কুল অয়াম্বদা কাউন্সেল্লরশিং হাপ্লমদবনা মহৈরোয়শিংগী সাইকোলোজিকেল অমসুং ইমোশনগী ওইহনফম থোকপা ফীভমসু ওইহন্দ্রে।

ন্যু এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০নদি সোসিও-ইমোশ্নেল দিভেলপমেন্ট অসি এদ্যুকেশনগী মপুং ওইবা শরুক অমা ওইহনগদবনি হায়রিবনি। অদুগা স্কুল অয়াম্বদা পেরেন্টস/গর্দিয়নশিংগী এসোসিএশনশিং লৈরম্বা নৎত্রগা লৈহল্লম্বা থেংনদবসু য়াওরে হায়রি।

মসিদা নত্তনা মহৈরোয়শিংদা নমফুন্দা ত্রান্সফর সর্টিফিকেট পীবা য়াওনা কাউন্সেল্লিং নৎত্রগা শেমদোক শাদোকপগী থৌরাং লৌখৎতনা চৈরাক পীবা ওইনা মহৈরোয়শিংবু সস্পেন্দ তৌবগী রিপোর্টশিংসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঙমখৈদা লৈবা কুকি খুলদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা এ আরশিং তাঙ্খুল নুপীশিংনা থিংবদগী চাউনা মূক্লখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** কামজোং দিষ্ট্রিক্টকা শাইজিনলোন্নরিবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা কুকি খুলশিংদা অসাম রাইফলসনা য়াম্না তোয়না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা নত্তনা কুকি খুঙ্গাশিংবু পুথোক-পুশিন তৌরকপগী মায়োক্তা তাঙ্খুল নুপীশিংনা মখূৎতা মৈরা পায়দুনা অথিংবা পীরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়াম্না চাউনা মূক্লখ্রে।



পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, থৌদোক অসি ঙরাংদগী হৌরদুনা চাত্রিক অমসুং গ্রিহাং খুলগী লম্বীদা থোকপনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কামজোং সনাওলোং মৈরা পায়বী লূপকী মেম্বর অমনা ফোঙদোরকপদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ১১-এ আরগী গাড়ী ৫দা লাকপা পর্সনেলশিংনা চাত্রিক ফাওরগা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা কুকি খুলদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা মশীং য়াল্লবা তাঙ্খুল নুপীশিংনা মৈরা পায়দুনা থোরক্লগা মখোয়বু চৎপা য়ারোই হায়দুনা থিংবনি। মসিদগী নাকল অনীগী মরক্তা মূক্নরকপনি হায়রি।

তাঙ্খুল নুপীশিংনা য়ানীংদ্রিবনা অসাম রাইফলসনা ঙাইহাক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঙাইরাংবম তনৌখুল লৌকোলদগী হঙ্গাম থাও মন লিশীং ১৩ হেন্না পুথোকপা ঙম্লগনি

## লৌমীশিংদা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহন্দবনা মহয় চারমদাইদা লৌমীশিং কোকতা খূৎ হাপ্লে : কোকোমি ফার্মরস ৱিং

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :**

লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলবদি হঙ্গাম থাওবু মণিপুরগী ৱাংমদগী পুশিল্লক্তুনা মীপাল তাংলিবসি তাংদবা ঙম্লগনি হায়রদুনা ঙাইরাংবম তনৌখুল লৌকোলদগী চহী অসিগী ওইনা হঙ্গাম থাও মন লিশীং ১৩ হেন্না পুথোকপা ঙম্লগনি। লৌকোলসিদা লৌ পরি ৪৫০ রোমদা মায় পাক্লা হঙ্গাম থারে। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা লৌমী শিন্নীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলবদি চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা, মশাগী পোথোক্লা পুক্কে চোন্না চাজবা মণিপুর ওইহনবা ঙমগনি হায়না কোকোমি ফার্মরস ৱিংগী কো কনভিনর কোন্থৌজম থোইবনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইরাংবম তনৌখুলদা মমাঙ চহীদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙ অমদি সী এ য়ু (ইম্ফাল), আই সী এ আর (মণিপুর) অমদি কোকোমি ফার্মরস ৱিংগী লৌমী লূপ মঙাগা ...মখা লমায় ৬ কলম ১

# ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা পাউমীশিংবু এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২২দগী নুমিৎ ৫নি চূপ্পা ঙরাং ফাওবা কেরলাগী কোচি অমদি ত্রিবান্দ্রমদা পাঙথোকপা প্রেস কন্দক্তেদ টুরদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মীদিয়া হাউসশিংগী পাউমী ১০ অমসুং খোঙচৎ অসিবু শীনখিবা পি আই বি ইম্ফালগী ওফিশল অনী য়াওনা পূন্না মীদিয়া দেলিগেট ১২না ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.২০ লোম তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা খুমন লম্পাক্তা এপ্রিল ...মখা লমায় ৩ কলম ২






HL-B/11203/28,1,3